

# সনালৈবাক স্পোর্টস



২৬ শুবা ষ্টেট কারাটে–দো চেম্পিয়ন্সিপগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইম্ফাস ইষ্টগী টিমনা ট্রোফি লৌখিবা

ওকলেন্দ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্টদা স্লোভাকিয়াগী দেনিয়েলা হন্তুকোভাগী মখুত্তা মায়থিহৌরবী ইটালিগী সারা ইরানি





## সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জল ২না বেঙ্গলুরু এফ সি ফেদরেসন কপকী সেমি ফাইনেল চংহনখ্রে

**ভাস্কো, জানুৱারী ৫ঃ**

গৱাগী সহর ভাস্কোদা লৈবা টিলক মৈদান ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ৩৬ শুবা হিরো ফেদরেসন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'বি'গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়াবা ঙল্লবা সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জল ২না মহাক্কী টিম বেঙ্গলুরু এফ সিবু টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌহনখ্রে।

ভাবোক ৭০০০ মুক চন্বা টিলক মৈদান ফুটবোল গ্রাউন্দ অদুদা বেঙ্গলুরু এফ সিনা মেটচ শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা গ্রুপ 'বি' মেটচ অহুমদগী পোইন্ট ৭ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা পুনে এফ সিসু মেটচ অহুমদগী পোইন্ট ৪ ফংলগা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী আশা অমগা লোয়ননা লাকখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ টিম অনিমক্কী মাইকৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি। হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনিট অনিদা ঙায়রবা মতমদা অর্জুন এৱার্ড ফংখ্রবা বেঙ্গলুরুগী কেপ্টেনসু ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা য়াম্না ফজবা বাইসাইকল কিক অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম হেন্দোক্তুনা ইঞ্জুরি টাইমগী অনিশুবা মিনিটতা বেঙ্গলুরু এফ সিগী মাইকৈদগী সোন রুনিবু পুনেগী অমরিন্দরনা দি বোক্সতা ফাউল্ট তৌদুনা রেফরিনা পেনালটি অমা বেঙ্গলুরুদা পীখি। খুদোংচাবা অদু অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা সুনিল ছেত্রিনা অশোই অঙম য়াওদনা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী মেটচ অদু মখোয়না পুনেবু গোল ২–০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপদগী হৌনা পুনেগী মাইকৈদগী শোখরিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়না হোৎনখিবা খুদিংমক বেঙ্গলুরুগী দিফেন্দরশিংগী চেকশিন্বনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনিটতা পুনে এফ সিগী থোংখোসিয়েম হাওকিপনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম অদুবু লেমহৌরিবা মিনিট অদুদা ইক্যুলাইজর ফংহন্নবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা পীখি।

মেটচকী মখা তারকপা মিনিট খরা অদুদা পুনেগী মাইকৈদগী ফন্না কন্না হোৎনরবসু বেঙ্গলুরুগী গোল কিপ্পর পৱান কুমার অমদি দিফেন্দর শিং অদুনা পুনে এফ সিগী বোলশিং অদু কন্না ঙাকথোক্তুনা লৈখি। অপীবা মতম লোইশিনখিবা মরমনা পুনে এফ সি মখোয়গী অরোইবা লিগ মেটচ ওইনা হৌজিক হৌজিক মখোয়গী মথক্তা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈরিবা সালগাউকরগা শান্নগদবা অদুদা গ্রুপ 'বি'দগী অনিশুবা সেমি ফাইনেল য়ৌগদবা টিম অদু মশক খংলগনি।

ঙরাং গ্রুপ 'এ'দা পোইন্ট অমত্তা ফংলমদবা স্পোটিং গৱানা মেঘালায়াগী রোয়েল ৱাহিংদোবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ অসিদা গৱাগী দেম্পোনা মেটচ অনি শান্নবদা অনিমক মাইপাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈরি। ঙসি দেম্পো অমসুং মুম্বাই মারগাউ সহরদা লৈবা ফাতোর্দা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মুম্বাই অমসুং ইষ্ট বেঙ্গল পোইন্ট ৪/৪ ফংদুনা লৈবা মরমনা মখোয়সু মায়পাক্লবদি সেমি ফাইনেলগী আশা লৈরি।

## স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা সাইনা নেহৱালবু পদ্মভুষনগীদমক রেকমেন্দ তৌরগনি

**নিউ দিল্লি, জানুৱারী ৫ঃ**

লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোই সাইনা নেহৱালবু পদ্মভুষন মনাগীদমক রিকমেন্দ তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইং ২০১২গী লন্দন ওলেম্পিক গেমস্তা নুপীগী সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী সাইনা নেহৱালগী মমিং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মমাংদা পদ্মাভুষনগী মনা ফংগদবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা য়াওখিদ্রবসু রেষ্টলিংগী সুসিল কুমারগা লোয়ননা স্পিসিয়েল কেস ওইনা মমিং থাগৎখিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না সাইনা নেহৱালনা ফংলকখিবা মিংচৎশিং অসি য়েংলুরগা মহাক্কী মমিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সতা মিং থাগৎপগী অরোইবা মতম মাংজৌননা লোইখ্রবসু স্পিসিয়েল কেস ওইনা মহাক্কী মমিং অসি থাগৎখিবনি হায়খি।

পদ্মভুষনগীদমক্তা মিং থাগৎপগী অরোইবা নুমিৎ অদু মমাং চহিগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা ওইবনি।

পনবা য়াবদি সাইনা নেহৱালনা ফোংদোকখিবদা পদ্মভুষনগীদমক্তা মহাক্কী মমিং অসি বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা মমাং চহিগী আগষ্ট থাদা পিখৎখ্রবনি। অদুবু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু রিজেক তৌখিবনি হায়রি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা সরবানন্দ সোনোৱালনা শেংদোরকখিবদা সাইনাগী মমিং অসি থাংজ নুমিত্তা নোমিনেসনগীদমক্তা চেরোল ফংখি। মরম অদুনা হোম মিনিষ্ট্রিদা পদ্ম ভুষনগীদমক মমিং থাগৎকনি হায়রি।

সাইনানা ফোংদোরকখিবগী মতুং ইন্না মমাং চহিদা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু চহি মঙাগী নোর্ম শুদবগী রিজেক তৌখিবনি। অদুবু রেষ্টলিংগী ওইনা সুসিল কুমারবু হন্দক্কী পদ্ম ভুষনগীদমক্তা নোর্ম সুদ্রবসু মিনিষ্ট্রিনা মমিং লাওথোরকপদা মহাক পেন্দবা ফোংদোরকপনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা সাইনা নেহৱালগী মমিং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সতা থাগৎখ্রবসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, ভাইস প্রসিদেন্ট নত্রগা প্রসিদেন্টনা রিকমেন্দ তৌরক্লবদি মহাক মনা অসি ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ মদু নত্রবদি তাঞ্জা লৈতে হায়না পাউগী লিখুন অমনসু ফোংদোরক্লি।



## রিএল মাদ্রিদ অমসুং বার্সেলোনা মায়থিখ্রে

**মাদ্রিদ, জানুৱারী ৫ঃ**

লা লিগাগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈরিবা রিএল মাদ্রিদ ভেলেন্সিগী মখুত্তা পাঞ্জল ১–২দা মায়থিবা নংখ্রে। লোয়ননা অনিশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবসু রিএল সোসাইদেদকী মখুত্তা ০–১দা মায়থিবা নংখ্রে।

রিএল মাদ্রিদনা ঙরাং শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা মেটচ ২২ থংনা থংননা মায়পাক্তুনা লাকখিবা অদু ঙরাং লোইশিনখ্রে। টিম অদুগী মাইকৈদগী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা অহানবা হাল্ফতা চনখিবা পেনালটি অমগী গোলনা টিম অদুবু অনৌবা চহি অসিগী অহানবা গেম মায় পাকহন্নবগী লম্বেলদা পুশিনখিবনি।

ভেলেন্সিয়াগী মাইকৈদগী অনিশুবা হাল্ফতা এন্টোনিয়ো বরাগন অমসুং ওটো মেন্দিনা চনখিবা পাঞ্জল ২না রিএল মাদ্রিদপু মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

রোনাল্ডোনা ফংখিবা পেনালটি অদু মহাক্কী টিম মেট তোনি ক্রুসনা কাওখিবা ফ্রি কিক অমা ভেলেন্সিয়াগী দিফেন্দর নিগ্রেদোনা মখুৎনা থেংলুবদগী ফংখিবনি। মাইথিরবসু রিএল মাদ্রিদনা লা লিগাগী মেটচ ১৬ শান্নরকপদা পুন্না পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা অদুমক মাংজিল থাবা ঙম্রি।

অনিশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা বার্সেলোনা অমসুং রিএল সোসাইদেদকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বার্সেলোনাগী জোরি এলবাগী আউন গোলনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইরগা টিম অদু মায়থিখিবনি।

## ইন্দিয়াগী লিফ্টরশিংনা মেদল ১৪ ফংখ্রে

**দোহা, জানুৱারী ৫ঃ**

কাটারগী সহর দোহাদা পাংথোকপা ১৭ শুবা এসিয়ান য়ুঠ (বোইজ এন্দ গার্লস), ২২ শুবা জুনিয়ার ৱুমেন অমসুং ২৯ শুবা জুনিয়ার মেন এসিয়ান ৱেটলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী লিফ্টরশিংনা গোল্ড মেদল ৬ য়াওনা পুন্না মেদল ১৪ ফংখ্রে।

য়ুঠ বোইজকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপামচাশিং অদুনা কেটাগোরি অহুমদা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা অতোপ্পা গোল্ড অহুম অদুনা য়ুঠ গার্লস, জুনিয়ার মেন অমসুং জুনিয়ার ৱুমেনগী কাংলুপ্তা ফংখিবনি।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অরোইবা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী জুনিয়ার ৱুমেনগী কেজি ৬৯ গী দিভিজন্দা স্বপনা প্রিয়ানা সিলভর অমা ফংখি। মণিপুরদগী হৌখিবী এল থাসনা চনুনা জুনিয়ার ৱুমেনগী কেজি ৫৮গী দিভিজন্দা ব্রোঞ্জ অমা ফংখি। অদুগা কে ঐচ নুংথিতোন্না য়ুঠ গার্লসকী কেজি ৫৮গী দিভিজন্দা ব্রোঞ্জ অমসু ফংখি।


নোংমাইজিং নুমিত্তা জুনিয়ার মেন্সকী কেজি ৮৫গী দিভিজন্দা রগালা ভেনকৎনা স্নেটচতা কেজি ১৪৩ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৮১ থাংগৎতুনা অপুনবা কেজি ৩২৪ ওইদুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।


**THE PARADISE GARDENING SCHOOL**

NGANGKHALAWAI, MOIRANG PO/PS MOIRANG

হায়রিবা School অসি Chandpur PO/PS Moirang অসিদা মফম হোংজরে। মরম অদুনা কনাগুম্বনা য়েৎপিনীংবা লৈরগদি ঙসিদগী নুমিৎ ৫ (মঙা) নিগী মনুংদা য়েৎপিরবা য়াগনি। নুমিৎ অসিদগী হেন্দোকখিবা থোক্লগদি complaint অদু লৌজরোই।

Contact No. 9856606048





IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Mutation case no. 1/SDC/P/ of 2015

1. Chingsubam Ningol Karam Ongbi Nungshitombi Devi
   W/o (L) K. Birehan Singh
   of Wangkhei Pukhrambam Leikai

(Petitioner)

*Verses*

1. K. Bichand Singh
   S/o (L) Ibotombi Singh
   of Singjamei Thokchom Leikai

(Ops.)

**NOTICE**

Porompat, the 5th January, 2015

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27 - Wangkhei Nongpok কী patta no. 205 (অরিবা) 154/618 (অনৌবা) C.S. Dag No. 2085/2284 an area .16 acre of Ingkhol class লম অসিগী pattadar অসি মৃতু (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East
Manipur

SLK/1681-6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Mutation case no. 1/SDC/P/ of 2015

1. Sitara Begum
   W/o Md. Fajur Rahaman (a)
2. Bahadur
   of Kshetri Bengoon Makha Leikai

(Petitioners)

*Verses*

1. Md. Rajen
   S/o (L) Munim
   of Bengoon Yangbi Khunou

(Ops.)

**NOTICE**

Porompat, the 5th January, 2015

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী patta no. 31 (অরিবা) 606/1110 (অনৌবা) C.S. Dag No. 309/922 an area .05 acre of Ingkhol class লম অসিগী pattadar অসি মৃতু (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East
Manipur

SLK/1681-6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Mutation case no. 4/SDC/P/ of 2015

1. Md. Yusuf Ali
   S/o (L) Iboton
   of Kshetri Bengoon Awang Leikai

(Petitioner)

*Verses*

1. Co-Pattadar No. (2)
   Mrs. Lahijan W/o (L) Iboton
   of Kshetri Bengoon Awang Leikai

(Ops.)

**NOTICE**

Porompat, the 5th January, 2015

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী patta no. 5 (অরিবা) 908/1080(অনৌবা) C.S. Dag No. 755/897 an area .03 acre of Ingkhol class লম অসিগী co-pattadar 2 (Lehijan) অসি মৃতু (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা co-pattadar 2 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East
Manipur

SLK/1681-6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Mutation case no. 2/SDC/P/ of 2015

1. Smt. Sanahongbi Panmei
   W/o Poupangai Panmei
   of Keikhu

(Petitioner)

*Verses*

1. Co-Pattadar No. (2) Gaidonlung Panmei
   S/o (L) Abui Panmei
   of Keikhu

(Ops.)

**NOTICE**

Porompat, the 5th January, 2015

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 31-Keikhu Hao গী patta no. 27 (অরিবা) 94/108 (অনৌবা) C.S. Dag No. 85/159 an area .07 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-pattadar 2 (Gaidonlung Panmei) অসি মৃতু (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা co-pattadar 2 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East
Manipur

SLK/1681-6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Mutation case no. 3/SDC/P/ of 2015

1. Mohammad Imtiaz
   S/o Mohd. Azizur Rahaman @ Shamu
   of Khergao Awang Leikai

(Petitioner)

*Verses*

1. Ajijur Rahaman
   S/o (L) Sidik Ali
   of Khergao

(Ops.)

**NOTICE**

Porompat, the 5th January, 2015

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী patta no. 107 (অরিবা) 343/825(অনৌবা) C.S. Dag No. 225/609 an area .205 acre of Ingkhol class লম অসিগী pattadar অসি মৃতু (late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খংহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East
Manipur

SLK/1681-6


**WALK IN INTERVIEW**

**AT G & G JOB INFORMATION CENTRE**

**Head Office : Uripok Near Hindu Hotel**

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | L.D.C of Bank | 3 | XIII | 5,000/- |
| 2. | Junior Officer (J.O) | 30 | X/XII | 5,000/- |
| 3. | Recovery Officer (R.O.) | 7 | X/XII | 5,000/- |
| 4. | Area Manager | 4 | XII/Grad. | 7,000/- |
| 5. | Branch Manager | 4 | Grad. | 7,000/- |
| 6. | Accountant | 2 | Grad. | 5,000/- |
| 7. | Computer Operator | 5 | XII | 5,000/- |
| 8. | Banking Staff | 10 | XII | 10,000/- |
| 9. | Medical Representative | 6 | XII | 7,000/- |
| 10. | Sales Officers | 10 | X/XII | 5,000/- |
| 11. | Security Guard (M/F) | 15 | VIII/X | 4,500/- |
| 12. | Driver | 8 | VIII/X | 5,000/- |
| 13. | Reception | 4 | XII | 4,000/- |
| 14. | Home Job (Office/Home) | 15 | XII | 5,000/- |
| 15. | Women for Beauty Parlour | 4 | X/XII | 4,000/- |
| 16. | Mother for Private School | 4 | VIII/X | 4,000/- |
| 17. | Teacher (Eng./Maths/Sc./S.Sc) | 6 | Grad./M.A. | Negotiable |
| 18. | Asst. Manager | 4 | Grad. with Com. klgde. | 3,500-7,000/- |

AIRLINES POST VACANCIES AT IGI AIRPORT COMPANY :

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | 30 | VIII /X | 10,000-20,000 |
| 2. | Airport Trolley/Loader | 25 | X/XII | 8,000-15,000 |
| 3. | VIP Launce Staff | 25 | XII/Grad. | 14,000-25,000 |
| 4. | Retail Vuddies (C.S.A) | 20 | XII/Grad. | 8,000-20,000 |
| 5. | Air Hostess/Air Cabin ATT | 30 | XII | 35,000-1 lakh |
| 6. | Ground Handling C.S.A. | 20 | XII/Grad. | 14,000-25,000 |

*** *Last date of form submission 14th January, 2015*
*Date of Interview 15th January. 2015*

ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯇꯥꯛꯄ

**Please come and visit during office hour 10.00 a.m. to 3.30 p.m.**